# মাঙখিবা এয়ার ফোর্স এ এন–৩২ প্লেন অরুনাচল প্রদেশকী সিয়াং দিষ্ট্রিক্টতা কায়রগা লৈরম্বা থেঙনখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** মীওই ১৩ তোংখিবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী সোভিয়েটনা শাবা এ এন–৩২ ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ অমা জুন ৩দা মাঙখিবা অদু ফুট ১২,০০০ রোমগী অৱাংবদা এম আই–১৭ হেলিকোপ্টর অমনা অরুনাচল প্রদেসকী সিয়াং দিষ্ট্রিক্টকী পাইয়ুম সার্কলদা কায়রগা লৈরম্বা থেঙনখ্রে।

প্লেন মখল অসি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা চহী ৪০ হেন্না পাকশন্না শিজিন্নরক্লবা ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ অমনি। মসিনা অসামগী জোরহাদৎগী অরুনাচল প্রদেশকী মেচুকাদা মনূং হঞ্জিনবা মিলিটরি লেন্দিং ষ্ট্রিপ অমদা পাইখিবগী লম্বীদা নুমিৎ অদুগী নুংথিল পূং ১ রোম তাবদগী রাদরদগী মাঙখিবনি।

মাঙখিবা প্লেন অসিবু ফংনবগীদমক ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী সি–১৩০ জে ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ, সুখোই এস য়ু –৩০ ফাইটর জেটশিং, নেভিগী ৱাই পি ৮–১ ছর্চ এয়ারক্রাফ অমসুং আই এ এফ অমসুং আর্মিগী হেলিকোপ্টরশিংগী ফ্লীট অমনা পাকশন্না থিরকখিবনি। মসিদা ইশ্রো সেটিলাইটশিং অমসুং পাইলোট য়াওদবা ড্রোনশিংসু শিজিন্নখি।

নাইট–টাইম সেন্সরশিংগী মতেঙগা লোয়ননা আর্মি, নেভি অমসুং ইন্দো–টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) ট্রুপশিংগী টিমশিংনা নুমিদাংদসু থিখি।

থিবা হুম্বগী থবক অদু য়াম্না খুদোং থিনিংঙাই ওইখি। মরমদি লমদম অদুগী লম্মিৎ–তুম্মিৎ অমসুং নোং–চীংগী ফিভম হায়নীংঙাই লৈতনা ফৎতে।

প্লেন অদুনা পাইখিবা মফম অদু চীংগী–চীং ঙাক্তনি অমসুং অশুকপা উমংশিংনি। মেচুকাদা লেন্দিং তৌবা অমসুং পাইখৎপসু শাথিনা খুদোঙথিনীংঙাই ওই।

য়ামনা ফৎতবা নোং–চীংগী ফিভমগা লমদম অসিগী খুদোঙচাদবা লম্মিৎ–তুম্মিৎ অসিগা পূল্লগা মফম অসি এয়ার ট্রান্সপোর্টকীদমক মালেমগী খ্বাইদগী ফৎতবা মফমগী মনূংদা চল্লি।

প্লেন অদুগী ছর্চ এন্দ রেস্ক্যু বিকোন অদু চহী ১৪রোম শাখিদ্রবনি। মরম অসিদগী প্লেন অদুদগী সিগনেল ফংবা ঙমখিদে। মসিগী দিষ্ট্রেস সিগনেল অসি ইন্টরনেসনেল সেটিলাইট এইদেদ ছর্চ এন্দ রেস্ক্যু ফেসিলিটি অমা ওইরিবা কোস্পাস–সরসেটতা য়াওবা সেটিলাইট অমনা ফংগদবনি।

এ এন –৩২না আই এ এফ ফ্লীটতা য়াওরকখ্রবা মতূংদগী মী পুবা অমসুং সপ্লাইশিং এয়ার–ড্রোপ তৌবদা পাকশন্না শীজিন্নখ্রে। প্লেনশিং অসি তাঙ্কক কয়ারক হন্না অপগ্রেদ তৌখ্রবনি।

চহী অসিগী হৌজিক ফাওবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী পূন্না এয়ার ক্রাফ ৯ ক্রাস তৌখ্রে। ক্রাস তৌখিবশিং অদুদি জাগুৱর অমা, মিগ –২৭ জেট অনী, মিগ–২১ জেট অনী, মিরেজ ২০০০ অমা, সূর্য্যকিরন হোক এক্স ২ অমা অমসুং এ এন–৩২ অমনি।

# ময়াইথংবা মালিদা মীওই ১০০ রোম হাৎখ্রে



**বামাকো, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** ময়াইথংবা মালিদা খ্বাইদগী নৌনা থোকপা হীংশাদা অহীং নোংয়াইদা খূঙ্গং অমদা চথরকখিবা তমথিবা এটেক অমদা মীওই ১০০ রোম হাৎখ্রে অমসুং অতোপ্পা ১৯গী ফিভম করি ওইখ্রবনো খঙদনা থিবা খঙদ্রি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

কনাগুম্বা অমত্তনা মীহাৎ অদু চথবনো হায়বা ফোঙদোক্লক্ত্রি। অদুবু দোগোন কম্যুনিটিনা খূন্দাবা খূঙ্গং অমদা চথরক্লিবা পাক্লবা মীহাৎ অদু মীওই চা কয়া শিখ্রবা ইথনিক এটেকশিংগী লমন খুন্নবগী খুদম ফঙই।

মীহাৎ অদু দোগোন হায়না খঙনবা গ্রুপ অমনা ফুলানি ইথনিক গ্রুপকী মীওই ১৬০ রোম হাৎখিবগী চয়োল ৩ ফাদ্রিঙৈদা চখিবনি।

হৌজিক ঐখোয়না অশিবা মীচম ৯৫ ফংলে। হকচাংশিং অদু মৈনা চাক্লে। ঐকোয়না অশিবা হকচাং অতৈ থিরি হায়না সোভানে–কৌবা খূঙ্গংদা লৈরিবা কৌনদৌন দিষ্ট্রিক্টতা ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

মরক্কী ওইবা মশীং অমা পীরদুনা গভর্ণমেন্টনা মীওই ৯৫ শিখ্রে অমসুং ১৯ থিবা খঙদ্রি হায়খি। য়ুমগী শা–ষণ কয়া হাৎখ্রে, য়ুমশিং মৈ থাখ্রে। টেরোরিষ্ট ওইগনি চীংনবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা শান্তি ওরিবা খূন অসিদা মীহাৎকী এটেক অমা চথরকখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

খূঙ্গং অদু মী ৩০০ লোম তাবা মফমনি, মীহাৎ অদুনা হৌজিক খূল অদু মুখ্থৎখিবগুম তৌরে হায়না মফম অদুদা লাকখিবা মালেগী সেক্যুরিটি লিখুল অমনা হায়খি।

প্রিচর অমাদৌ কৌফানা লূচীংবা ফুলানি জিহাদিজ গ্রুপ অমা ২০১৫দা থোক্লককখিবা মতূংদগী ইথিনিক কাংবু য়াশিন্ননা তাবা ময়াইথংবা মালিদা তমথিবা হীংশা মথং–মথং থোক্লককখি।

অহানবদা বম্বারা অমসুং দোগো ইথনিক গ্রুপশিংদা অতন্ননা এটেক চথরকখি। মদুদগী গ্রুপশিং অসিনা মখোয়গী ওইবা সেল্ফ–দিফেন্স গ্রুপশিং শেম্বা হৌরকখি।

ফুলানিশিং অসি শা–ষণ লোয়বা অমসুং লল্লোনবশিংনি। বম্বারা অমসুং দোগোশিংনা লৌমীশিংনি। জনুৱারি ২০১৮দগী ফুলানিশিংদা চথবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৮৮ শিখিবগী রেকোর্দ অমা য়ু এন পিছকপ্পিং মিসন ইন মালি (মিনুসমা)না মে ১৬দা লাওথোকখি।

য়ু এন মিসন অসিগী দোন্নর লৈবাকশিং হয়েঙ য়ুশমকৈশা নুমিৎতা য়ু এনদা মীফম পাংথোক্কদৌরি। য়ু এন ফোর্সকী মেন্দেট অদু জুন ২৭তা অমুক রিন্যু তৌনবগী ৱারেপ অমা লৌরবা য়াই।

রেদিকেল ইস্লামিষ্ট অমসুং তুৱারেগ মিলিসিয়াশিংনা ২০১২তা লৈবাক অসিগী অৱাং থংববু খুদুম চনখিবা মতূংদা য়ু এন মিসন অসি লিংখৎখিবনি। ফ্রেঞ্চ ট্রুপশিংনা লালহৌবশিং অদু ২০১৩দা তকথোকখ্রে। তংদু–লৈতাবা হনঞ্জিহল্লক্লবগী পান্দমদা বামাকো গভর্ণমেন্ট অমসুং আর্ম গ্রুপশিংনা ২০১৫দা পিছ এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখি। অদুবু এগ্রিমেন্ট অদুনা জিহাদিষ্টগী হীংশা লেপহনবা ঙমখিদে। হীংশা অদু থায়নগী ইথনিক মশেনগী য়েঙথিনবা অদু অমুক হন্না মৈ চাকহন্দুনা ময়াইথংবা মালি রোমদা চংশিনখি।

# মোদিনা লূচীংবা অনৌবা গভর্ণমেন্টকী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসকী অহানবা মীফম ঙসি পাংথোক্লগনি

**ন্যু দিল্লি, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচীংবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিগী অনৌবা কাউন্সিল মিনিষ্টরসকী অহানবা মীফম অদু হয়েঙ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাংথোক্লগনি অমসুং মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মাগী গভর্ণমেন্টনা পাংথোক্কদবা থৌরম–পরিং অদু পুথোক্লবা য়াই হায়না লিখুনশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



মিনিষ্ট্রিশিং চল্লাইবদা মিনিষ্টরস ওফ ষ্টেটকী থৌদাং অদু প্রাইম মিনষ্টরনা ফোঙদোক্লবা য়াই অমসুং মখোয়গী দিপুটিশিংদা চপ চাবা দায়ত্বশিং পীনবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংদা খঙহল্লবা য়াই।

গভর্ণমেন্ট অসিগী লাক্কদবা চহী ৫ অসিগী এক্সন প্লান অমগী মতাংদসু মিনিষ্টরশিংগী মীফম অদুনা খন্নরবা য়াই অমসুং মদুগী মতাংদা মিনিষ্টরশিং অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা শন্নপ্পা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লবা য়াই।

কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসগী মীফম অসি মোদি গভর্ণমেন্টকী মমাঙগী মতমদা চাং নাইনা পাংথোকপা মওং অমা ওইখি। মীফমশিং অদুদা মহাক্না গভর্ণমেন্টকী মখল–মখা কয়াগী ৱেলফিয়ার স্কিমশিংগী অমসুং স্কিমশিং অদুগী মতাংদা মীয়ামদা মতৌ করন্না খঙহনগদগে হায়বদু মিনিষ্টরশিং অদুদা পাউতাক পীরবা য়াই।

কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসকী মীফম অদুগী মাঙওইননা হয়েঙ য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফমসু পাংথোক্লগনি। মথঙ চয়োলদা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন হৌগদবা মরমনা হাউসকী ফ্লোরদা পুখৎলকপা ৱাহংশিংগী দায়ত্ব মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগদৌরি। কবিনেট মিনিষ্টরশিংদি মহৌশানা ৱাহৈ ওইনা পাউখুমশিং পীগদবা ৱাহংশিংগী দায়ত্ব খক্তমক লৌগনি।

# খাঙবা ঙমদবা মৈশাদা ট্রেন পেসেঞ্জর ৪ শিখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** কেরলা এক্সপ্রেসতা আগ্রাদগী তামিল নাদুগী কোইম্বাতোর তন্না চৎপা পেসেঞ্জর ৪ উত্তর প্রদেশকী ঝান্সিদা অকনবা মৈশা খাঙবা ঙমদবদগী শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিং অমসুং পেসেঞ্জরশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিদগী হৌনা ঝান্সিগী টেম্পেরেচর সেলসিয়স দীগ্রী ৪৫ রোম য়ৌখি। শিখিবা মীওই ৪গী মনূংদা অমদি চহী ৮১ শুরবা অহল অমনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং খমথেঙনা হেনগৎখ্রে। রাজস্থানদদি সেলসিয়স দিগ্রী ৫০গী মথক্তা লৈখ্রে। হিট ষ্ট্রোকতগী মীওই কয়া শিবগী পাউ লাক্লি।

রাজস্থানগী চুরুদা হন্দক দিগ্রী সেলসিয়স ৫০.৩ য়ৌখ্রে। মসি দিগ্রী ৫১গী লৈবাকসিগী রেকোর্দ অদু য়ৌগদবা খজিক্তা ঙাইরবনি। কেরেলা এক্সপ্রেস ট্রেন অদু টেক্নিকেলগী প্রোব্লেমশিং লৈতে অদুবু মীওইশিং অদু এয়ার কন্দিসন কোচদা তোঙদবশিংনি হায়না রেলৱেজ ৱাঙাংলোই অজিত কুমার সিংহনা হায়খি।

# ওরিষ্যাদা মশানা হাৎপা মীগী মকোক পুরগা পুলিসতা লাকখ্রে

**সম্বলপুর, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** ওরিষ্যাগী সম্বলপুর খূঙ্গংদা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা মীওই অমগী মকোক য়াওদ্রবা হকচাং অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈরম্বা থেঙনখ্রে।

হৌখিবা নুমিদাংদা মীওই অদু মাগী ময়ুমগী মপান্দা কাংখল অমগী মনূংদা তুমখিবনি। অয়ুক্তা ইমূংগী মীওইশিংনা মাগী মকোক য়াওদবা হকচাং অদু থেঙনখি অমসুং পুলিসতা পাউ পীরকখি হায়না ভৱানি শঙ্কর উদগাতা কৌবা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি।

পূং খরগী তুংদা উজজলা মুন্দা কৌবা মীওই অদুনা মহাক্কী মখুরানা পোকপা মচা সত্যনরায়ন মুন্দাগী ককথৎলবা মকোক অদু পুদুনা পুলিস ষ্টেসন অদুদা চংলকখি।

তুমলিঙৈদা মীওই অদু মহাক্না হাৎপনি অমসুং মকোক অদু পুরগা অয়ুক্তা চেনখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি। মী হাৎপদা চেন্নবা খূৎলাই অদুসু ফাগৎলে। মমাঙগী য়েঙথিনবা অমদগী মীহাৎ অদু চথবা ওইরমগনি হায়না পুলিসনা চীংনরি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বোম পোকখায়বদা মীওই ২ শিরে অমসুং ৪ শোক্লে

**কানকীনারা, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ২৪ পরগনাজ দিষ্টিক্টকী কানকীনারা এরিয়াদা ঙরাং নুমিদাং পোকখাইবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৪ অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি।

শকখঙদবা ফৎতবা মীওইশিংনা ঙরাং নুমিদাং য়ুমদা শাবা বোম অমা লংশিল্লকখি। মদুদা ঐখোয় কীখি। মফম অসিদা হুরানবা অমসুং লূৎ তৌবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রে। ঐখোয়বু তেঙবাংনবা এদমিনিষ্ট্রেসন্দা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না মফম অদুগী মীওই অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা মফম অদুদা মহৌশাগী ফিভমদা অমুক হন্না হঞ্জিন হল্লক্লবা হোৎনদুনা মফম অদুদা পুলিস থুনমক চংশিনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক থিজিনবগী থবক চথরি।

# শোপিয়ানদা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

**শ্রীনগর,জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাস্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুদা টেরোরিষ্ট লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংবদগী ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা শোপিয়ানগী অৱানীরা এরিয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোয়শিনখি অমসুং ওপরেসন চথখি।

মদুদা টেরোরিষ্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদগী নাকন অনী খূৎ থোক্লরকখি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎ হন্দুনা কাপ্পদা টেরোরিষ্ট ২ হাৎখি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

নাকন অনীগী খূৎ থোক্লফম অদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎশু–খূৎলাইশিং অমসুং নোংমৈ মরূশিং ফংখ্রে। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লখিবা টেরোরিষ্টশিং অদু করম্বা লালহৌবা গ্রুপকীনো অমসুং শিরিবা অদুগী মশক–মমিং অদুসু খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# ইরান ফোরেন মিনিষ্টরনা য়ু এসতা ৱার্নিং তৌখ্রে

**টেহরান, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবশিং কোকহন্নবা পান্দমদা জর্মনিগী মকোক থোঙবা দিপ্লোমেটনা ইরানদা লাকপা খোঙচৎ অমগী মনূংদা অকনবা ফিরেপ অমা লৌদুনা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ঙরাং য়ু এসতা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে।



টেহরানগী মথক্তা চথরকপা ইকোনোমিক্কী লান অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লিবা খোঙথাং অদু লৌরকখিবগী মতূংদা য়ু এসনা খুদোঙথিবা থোক্তনা শাফনা লৈগনি হায়বা খল্লুনু হায়খ্রে।

পার্সিয়ান গল্ফ পূমম্ববু লাকশিল্লিবা হৌজিক লৈরিবা উংখৎনবা অসিগী মতাংদা অকনবা ফিরেপ লৌবা মায়থোঙ অমগা লোয়ননা মোহম্মেদ জবাদ জারিফনা কিহনবগী ৱাঙাং কয়ামরুম মথং–মথং ঙাংথরকখি।

হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি মালেমগী পাৱারশিংগা তৌনবা ইরানগী ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিলদগী অমেরিকানা তোক্লবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রাম্পকী চহী অমগী মমাঙদা লৌখিবা ৱারেপ অদুদগী হৌরকখিবনি।

য়ু এসনা ইরানগী মথক্তা ইকোনোমিক ৱার অমা চথখ্রে হায়না মিষ্টর ট্রাম্প মহাক মশামক্লা লাওথোকখিবনি হায়না জারিফনা হায়খি। লমদম অসিদা লৈবা উংখৎনবশিং হন্থহন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা ৱারোইশিন অদুদি ইকোনোমিক ৱার অদু লেপ্পনি হায়খি।

জর্মন ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা মহাক্কী নাকন্দগীদি ন্যুক্লিয়ার দিল অদু কন্ননবা মহাক্কী লৈবাক অমসুং অতৈ য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংনা লম্বী অমা ফংবা পাম্মি হায়খি। ন্যুক্লিয়ার দিল অদুনা ইকোনোমিক সেঙ্কসনশিং লৌথোক্লবগী মহুৎ ওইনা ইরাননা মখোয়গী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট হন্থহন্দুনা অকক্লবা চাং অমা থল্লি।

অদুম ওইনমক য়ু এসনা নৌনা থমজিল্লক্লিবা সেঙ্কসনশিং অদুদগী ইরানবু থৈদোকহন্নবা য়ুরোপনা ইরানদা লম্বী অমত্তা পীবা ঙমদে।

মরকসিদা লুরিবদি, জুলাই ৭ ফাওবগী মনূংদা ন্যুক্লিয়ার দিল অদু কন্নবা য়ুরোপনা লম্বী অমত্তা ফংবা ঙমদ্রবদি ইরাননা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শান্নবগী থাক য়ৌবা য়ুরেনিয়ম এনরিচ তৌবা অমুক হৌরগনি হায়না ৱার্নিং তৌরকখ্রবনি।

# বি সি আই এম কোরিদর তোক্লে হায়বা য়াখিদ্রে

**বৈজিং, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** চিনাগী মলটি–বিল্লিয়ন দোল্লর বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিয়েটিব (বি আর আই)দগী বি সি আই এম ইকোনোমিক কোরিদর অদু চিনা–পাকিস্থান ইকোনোমিক কোরিদর (সি পি ই সি)গী মতাংদা ইন্দিয়াগা চিনাগা মত খেন্নবদগী খূৎমাং চাওশিনবা ঙমদবনা তোক্লে হায়বদু ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা চিনানা য়াখিদ্রে।



২০১৩দা বি আর আই হৌখিবা মতম অদুদা মসিগী শরুক অমনি হায়না পনখিবা বংলাদেস–চিনা–ইন্দিয়া–ম্যান্মার– ইকোনোমিক কোরিদর (বি সি আই এম) অসি বৈজিংদা এপ্রিলদা পাংথোকখিবা অনীশুবা বেল্ট এন্দ রোদ ফোরমদা পনখিবা কোরিদর ৩৫গী লিষ্টতা য়াওখিদবনি।

ঙরাং মেদিয়াদা পীবা পাউদম অমদা চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গেংশুৱাননা বি সি আই এম অদু তোক্ত্রি, মদু য়াম্না ফজনা লেঙদনা লৈরি হায়খি।

তশেঙনমক মদুগী খূমাং চাওশিনবা খন্ননবা বি সি আই এম ফোরমগী ১৩শুবা মীফম য়ুনান প্রোভিন্সতা হৌজিক পাংথোক্লিবা চিনা–সাউথ এসিয়ান ব্যুজিনেস ফোরমগী নাকন্দা ফপ্লি।

বি সি আই এম কোরিদর অদু শান্নবগী মতাংদা খন্ন–নৈনবগী থবক হৌজিকসু চথরি হায়না চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাখি।

কিলোমিটর ২৮০০ শাংবা বি সি আই এম কোরিদর অদুনা ম্যুন্মারগী মন্দেলে অমসুং বংলাদেসকী ধাকাগুম্বা ফাওরগা চিনাগী কুনমিংগা কোলকাটাগা শন্নহনগদৌরিবনি।

| সনা–সুদোকু – ১৪৮ গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 6 | 7 | 5 | 4 | 2 | 9 | 3 |
| 9 | 7 | 2 | 8 | 3 | 6 | 1 | 4 | 5 |
| 3 | 5 | 4 | 1 | 9 | 2 | 6 | 8 | 7 |
| 6 | 4 | 5 | 3 | 2 | 1 | 9 | 7 | 8 |
| 2 | 9 | 7 | 6 | 8 | 5 | 3 | 1 | 4 |
| 8 | 1 | 3 | 4 | 7 | 9 | 5 | 6 | 2 |
| 5 | 6 | 1 | 2 | 4 | 8 | 7 | 3 | 9 |
| 4 | 3 | 9 | 5 | 1 | 7 | 8 | 2 | 6 |
| 7 | 2 | 8 | 9 | 6 | 3 | 4 | 5 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-149**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | | 6 | 2 | 4 | |
| 8 | | | | 9 | | 3 | | 7 |
| 6 | | | | 3 | | | 9 | 8 |
| 4 | | | 2 | | 3 | 9 | | |
| | 7 | 3 | | | 9 | 6 | | |
| | 2 | | 7 | 6 | | | 3 | |
| | 6 | | 9 | 2 | | 7 | | |
| | 9 | 7 | 3 | | | | | 6 |
| 3 | | 4 | | | 1 | 8 | | |

# জেট ফ্লাইট পাইরিঙৈদা হায়জেককী কীহনবগীদমক স্পিসিয়েল এন আই এ কোর্টনা মুম্বাই ব্যুজিনেসমেন অমা জেলদা মপূন্সিগী চৈরাক পীখ্রে

**অহমেদাবাদ, জুন ১১(এজেন্সি)ঃ** জেট এয়াররৱেজ প্লেন অমদা ওক্টোবর ২০১৭দা হায়জেক তৌরে হায়বগী কীহনবা চেরোল অমা থল্লমবগীদমক মুম্বাইদা লৈবা ব্যুজিনেসমেন অমবু অহমেদাবাদতা লৈবা স্পিসিয়েল নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)কোর্ট অমনা ঙসি জেলদা মপূন্সিগী চৈরাক পীখ্রে অমসুং মহাক্কী মথক্তা লূপা ক্রোর ৫গী ফাইন অমসু কোংহনখ্রে।



মপূন্সিগী জেলগী চৈরাক ফংলবা ব্যুজিনেসমেন অদু বিরজু সাল্লা কৌই। এন আই এ কোর্টকী জজ কে এম দাবেনা কনভিক অদুনা পীরকপা ফাইনগী শেনফম অদু অৱাবা নংখিবা প্লেন অদুদা তোঙখিবা ক্রু মেম্বরশিং অমসুং পেসেঞ্জরশিংদা য়েন্থোক্কনি হায়খি।

বিরজু সাল্লানা এয়ারক্রাফ অদুগী টৈইলেটকী টিসু পেপর বোক্স অদুদা ওক্টোবর ৩০দা ইংলিস অমসুং উরদুদা ইবা কিহনবা নোট অমা থম্মদুনা হায়জেক তৌবগী মীপাইবা অমা থোকহনখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতূংদা মহাক নেসনেল নো–ফ্লাই লিষ্টকী মখাদা থম্বর অহানবা মীওই অমসুং অকনবা এন্টি–হাইজেক্কিং এক্টকী মখাদা অহানবা ফাবা মীওইসু ওইখ্রে।

এন আই এনা এন্টি–হাইজেক্কিং এক্ট ২০১৬গী সেক্সন ৩ (১), ৩ (২) (এ) অমসুং ৪ (বি)গী মখাদা হৌখিবা চহীগী জনুৱারিদা চার্জসিট অমা থাংগৎখ্রে। মুম্বাই–দিল্লি জেট এয়াররৱেজ ফ্লাইট ৯ দবলিয়ু ৩৩৯ ব্যুজিনেস ক্লাসকী টৈইলেট মনাক্কী টিসু পেপর বোক্সতা ওক্টোবর ৩০দা অতন্ননা কিহনবগী চেরোল অদু মহাক্না থমলমখিবনি হায়না এন আই এনা হায়খি।

## GAS TODAY

| | |
|---|---|
| **Maibia Gas, Moirng** | |
| Booking | : 03/05/19 |
| Sl. No. | : 8340 |
| Valid | : 02/05/19 |
| Sl. No. | : 7701 |
| Stk | : 270, 19kg -24 |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m |
| **Yairipok Gas Service** | |
| Booking | : 29/05/19 |
| Valid | : 24/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| **Hrangchal Gas Agency** | |
| Booking | : 22/05/19 |
| Valid | : 17/05/19 |
| Stk | : 306 |
| **Hiyangthang Indane** | |
| Booking | : 05/05/19 |
| Sl. No. | : 220 |
| Valid | : 26/04/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| **Lambodara Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Valid | : Nill |
| Stk | : 306 |
| Time | : 08.00 to 10.30 a.m. |
| **K & K Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Sl. No. | : 306 |
| Time | : 07.30 to 11.00 a.m. |
| **Athokpam Indane** | |
| Booking | : 10/05/19 |
| Valid | : 05/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 06.30 to 10.00 a.m. |
| **M M Gas** | |
| Booking | : 30/05/19 |
| Valid | : 23/05/19 |
| Stk | : 612, 19kg & 5kg Avail |
| Time | : 07.00 to 10.30 a.m. |
| **Misao Gas Service** | |
| Booking | : 07/06/19 |
| Valid | : 11/05/19 |
| Stk | : 612, 19kg Available |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m. |
| **Mahalakshmi Indane** | |
| Booking | : 30/05/19 |
| Sl. No. | : 258413 |
| Valid | : 22/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 06.30 to 10.30 a.m. |
| **Canchi Indane Service** | |
| Booking | : 11/05/19 |
| Valid | : 05/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 08.00 to 10.30 a.m. |
| **Manipur Gas** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.30 to 09.30 a.m. |
| First come First Serve | |
| **Haran Velley, Kwakta** | |
| Booking | : 27/04/19 |
| Valid | : 20/04/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.30 to 10.30 a.m. |
| **Imphal L P G Service** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk . | : 306, 5kg Available |
| Time | : From 08.00 a.m. |
| **R B D Indane** | |
| Booking | : 06/05/19 |
| Valid | : 25/04/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 06.30 to 10.30 a.m. |
| **Santhel Bazar Indane** | |
| Booking | : 17/05/19 |
| Valid | : 06/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| **Leibaklei Gas, Kakching** | |
| Booking | : 14/05/19 |
| Valid | : 24/05/19 |
| Sl. No. | : Up to 54844 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.30 to 10.30 a.m. |